# তাংকি নেসনল পার্কতা এন এস সী এন-আই এম অমসুং অসাম রাইফলস ট্রুপশিংগা উংখৎনখ্রে



গুৱাহাটি, জানুৱারী ২৮ (এজেন্সি):
হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়া গভর্নমেন্টকা সীজ ফয়র চত্থনরিবা এন এস সী এন-অই এমগী কেদরশিং অমদি অসাম রাইফলস ট্রুপশিংগী মরক্তা চাওনা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকখ্রে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না, রিপব্লিক দে সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা অসাম রাইফলসকী টিম অমা পুং ৭২ দগী ৯৬ ফাওবগী ওইনা পেট্রোলিং চৎখি। ঙরাং নুমিদাংৱাইরম পুং ৪ রোম তাবদা পেট্রোলিং টিম অদু তাংকি নেসনল পার্ককী শরুক অমদা ঙাইহাক পোত্থানবা লৈখি। অসাম রাইফলসকী টিম অদুনা পোত্থাদুনা লৈরিবা লম্বী অদুদা এন এস সী এন-আই এমগী টিম অমসু লাকখি। মদুদা নাকন অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক থোকখি।

নাকল অনীনা উংখৎনবগী থৌদোক থোকখিবা তাংকি নেসনল পার্ক অসি দিমাপুরদগীনা কিলোমিটর ৩৭ অদুগা পেরেনদগীনা কিলোমিটর ৪০ রোম চৎলগা লৈ। পার্ক অসিগী পাক চাওবনা স্কৱার কিলোমিটর ২০০ রোমনি। হৌখিবা কুমজা ১৯২৩ দা বৃটিশ এদমিনিষ্ট্রেটরশিংনা পার্ক অসি লীংখৎলম্বনি হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না সীজ ফয়র এগ্রিমেন্ট লৈরিবা মরম্না অসাম রাইফলস ট্রুপশিং অদুনা এন এস সী এন-আই এমগী টিম অদুদা খুৎ থাখিদে। মদুনা মরম ওইরগা নাকল অনীগী মরক্তা পামদবা থৌদোকশিং থোকখিদে। অদুম ওইনমক মিনিট ৪০ রোম নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শাবগী ভিদিও অমা ভাইরেল ওইরকখি। অদুবু হায়রিবা ভিদিও অদু অশেংবরা হায়বা খঙদোক্লবা হোৎনরি। পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা সেন্টর অমসুং এন এস সী এন-আই এম অনীগী মরক্তা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনখিবনি।

অমরোমদা অতোপ্পা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না এন এস সী এন-আই এমগী কেদরশিংনা ২৫ শুবা অসাম রাইফলসকী পর্সনেল ৩১ পুং ৪ রোম হেন্না ফাজিন্দুনা থমখি। নাগা আর্মি কেম্পগী জুরিদিক্সনদা এ আর টিম অদুনা চঙশিল্লকপদগী মখোয়বু ফাজিনখিবনি। তুংদা সীজ ফয়র লৈনবনা মরম ওইরগা থাদোরকখিবনি হায়রি।



ইন্দিয়াদা বৃটিশ রোক বেন্দ ক্লুইনগী ত্রিবুট অহানবা ওইনা মীণপুরদা পাথোক্লগনি হায়না মীয়াম মমাংদা পাউদমখিবা

# লমকোয়বশিংগী য়েংলগা কাজিরঙ্গ নেসনল পার্ক ফেব্রুৱারী ৪ দা থোঙ হাঙদোক্কনি : ফোরেষ্ট ওফিসল



কজিরঙ্গ, জানুৱারী ২৮ (এজেন্সি):
ৱেদরগী ফিভম ফত্তবা অমদি মেনেজেমেন্টকী ওইবা প্রোব্লেম খরনা মরম ওইরগা কাজিরঙ্গ নেসনল পার্কতা লমকোয়বশিং লাকপদা অথিংবা থমখিবা অদু লমকোয়বশিংগী য়েংলগা মথং থাগী ৪ দা থোঙ হাঙগনি হায়না অসাম ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ইষ্টর্ন অসাম ৱাইল্ড লাইফ দিভিজন কাজিরঙ্গ নেসনল পার্ককী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসরনা লমকোয়বশিংগী য়েংলগা মথং থাগী ৪ দা পার্ক অসি হাঙদোক্লবা ওর্দর অমা থা অসিগী ২৭ তা থোকখিবনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা দি এফ ওনা ফোঙদোকখিবদা, নেসনল পার্ক অসিগী ওইনা মেনেজমেন্টতা হৌজিক্কী ওইনা অশোনবা খরা লৈবনা মরম ওইরগা সেন্ট্রেল রেঞ্জ, কাজিরঙ্গ অমসুং ৱেষ্টর্ন রেঞ্জদা জিপ সফারি অমসুং বগোরি সফারি মথং থাগী ১ দা অথিংবা লৈগনি হায়রি।

থা অসিগী ১৮ দা ওথোরিটিশিংনা পার্ক অসি মতম খরগী ওইনা থিংজিন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। অদুবু মফম অসিদা লম কোয়বা লাক্লিংবা মী মশিং হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা মমাংদা থোকখিবা ওর্দর অদু কেন্সেল তৌরগা অনৌবা অমা থোকখিবনি। নেসনল পার্ক মনুংদা অরানবা মওংদা লম খোপচিল্লম্বা অমদি লম কোয়বা লাকপা মীওইশিংনা নুংঙাইনবগীদমক তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা শেমগৎ শাগৎপগী থবক চত্থরিবনা মরম ওইরগা অথিংবা থম্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। অদুবু অথিংবা অদুগী মতাংদা খরা শেমদোক শেমজিন তৌরবা মতুং লমকোয়বশিংনা জিপ সফারি অমদি বগোরি সফারিগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনরি। ইলিফেন্ট সফারিগী খুদোংচাবসু অমুক লৈহল্লগনি হায়রি।

# তিপ্রা মোথাগী চীফ প্রদিয়োট মনিকয়ানা আই পি এফ টিগী লুচিংবশিং হুন্দুনা ঙাঙখ্রে

অগরটালা, জানুৱারী ২৮ (এজেন্সি):
মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রিপুরা ষ্টেট লেজিসলেটিব এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী ওইবা থবক থৌরম কনখৎনরক্লিঙৈ মরক অসিদা তিপ্রা মোথাগী লুচিংবা প্রদিয়োট কিশোর মনিকয়া দেববর্মনা ইন্দিজিনস পিপলস ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরা (আই পি এফ টি) গী লুচিংবশিংবু হুন্দুনা ঙাঙখিবগা লোয়ননা ওপরেসন লোটর হৌজিকসু মখা চত্থরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা তিপ্রা মোথাগী লুচিংবা অসিনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি অয়ুক পুং ১১ তারকপদগী আই পি এফ টিগী লুচিংবশিংদা মহাক্না টেলিফোন তৌখি। অদুবু আই পি এফ টিগী মায়কৈদগী ফোনগী পাউখুম অমত্তা পীরকপা লৈখিদে। খঙহৌদনা আই পি এফ টিগী লুচিংবশিংনা মহাক্কী ফোন পায়রক্তবা অসি অঙকপা পোকই অমদি ওপরেসন লোটর হৌজিকসু মখা চত্থরিব্রা হায়বগী চিংনবা চাওনা লৈ হায়রি।

অমরোমদা রিপোর্ট খরগী মতুংইন্না বি জে পিনা মখোয়গী সীট লাউথোকখিবা মতমদা সীট ১২ গী ওইনদি য়াওখিদে। হায়রিবা সীটশিং অসিদা আই পি এফ টিনা লম্বা তৌনরবা য়ানা লৈ। মরম অদুনা তিপ্রা মোথাগী লুচিংবগী কোল অদুনা মখোয়না এক্সেপ্ট তৌখিদবনি। পনবা য়াবদি আই পি এফ টি অমসুং তিপ্রা মোথাগী মরক্তা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা পুন্না চৎমিন্ননবা ৱারী শান্নবা লৈখ্রবনি হায়রি।

# কেন্দিদেট খরা শিন্দোক্লবা য়ুথ কোংগ্রেসনা দিমান্দ তৌরক্লি

শিল্লোং, জানুৱারী ২৮ (এজেন্সি):
মেঘালয়া এসেমব্লি মীখলদা মীরেপ ওইনবা কোংগ্রেসনা অহানবা ফেজকী ওইনা মখোয়গী কেন্দিদেট খরগী লিষ্ট লাউথোকখ্রবা মতুং গারো হিলস কোংগ্রেসকী য়ুথ ৱিংনা কেন্দিদেট খরা শিন্দোক্লবা দিমান্দ তৌরকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা অসি য়াদ্রবদি অকনবা খোঙজংশিং চঙশিনগনি হায়না কিহনখ্রে।

য়ুথ কোংগ্রেসনা কেন্দিদেট শিন্দোক্লবা দিমান্দ তৌরিবা এ সীশিং অদুদি সালমনপারা, গন্বিগ্রি অমসুং সেলসেল্লানি। মসিগী মথক্তা রেসুবেলপারা, খরকুত্তা অমসুং রাজাবালাগী মীরেপ ওইগদবশিংগী মমিংসু অথুবা মতমদা লাউথোক্ল বা তকশিল্লক্লি। য়ুথ কোংগ্রেসনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না পার্টি অসিগীদমক মতম শাংনা ৱাজরক্লবা মীওইশিংদা টিকেট পীগদবনি। মসিগী ওন্ন তৈনবদা মীওই খরগী অপাম্বা মতুংইন্না টিকেট পীবগী থৌওং য়াবা ঙম্লোই হায়রি।

# গ্যানেন্দ্র প্রতাপনা অসামগী দি জি পি ওইরবা য়ানা লৈরে

গুৱাহাটি, জানুৱারী ২৮ (এজেন্সি):
অসামগী দি জি পি ভাস্কর জ্যোটি মহন্তগী থবক তৌবগী মতম থা অসিগী ৩১ দা লোয়রে। মহাক্না থবক্তগী পোথাখ্রবা মতুং আই পি এস ওফিসর গ্যানেন্দ্র প্রতাপ সিংহনা ষ্টেট অসিগী দি জি পি ওইনা মহুৎ শিল্লবা য়ানা লৈরে হায়না ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা হিরম অসিগী মতাংদা গভর্নমেন টকী মায়কৈদগী ওফিসল ওইনা নোটিফিকেসন থোকপা লৈত্রবসু মথং থাগী ১ দগী গ্যানেন্দ্র প্রতাপনা অসামগী দি জি পি ওইনা চার্জ লৌরগনি হায়না রিপোর্ট অসিনা মখা তারি। অমরোমদা অসামগী চীফ মিনিষ্টরনা ঙরাং কমক্ষদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ওফিসল ওইনা গ্যানেন্দ্র প্রতাপনা ষ্টেট অসিগী অনৌবা দি জি পি ওইরগনি হায়না ঙরাং লাউথোকপা লৈখ্রে। পনবা য়াবদি গ্যানেন্দ্র প্রতাপ সিংহ কুমজা ১৯৯১ গী আই পি এস বেটচনি। হৌজিক মহাক অসাম পুলিসকী স্পেসল দিরেক্টর জেনরেল ওইনা লৈরি।

# ফেব্রুৱারী ১ দগী হেল্ঠ ইন্সটিট্যুসনশিংদা টোবেকোগী পোৎলমশিং য়োনবা থিংলগনি

কোহিমা, জানুৱারী ২৮ (এজেন্সি):
নাগালেন্দ গভর্নমেন্টনা ষ্টেট অসিদা সী ও পি টি এ এক্ট, ২০০৩ এনফোর্স তৌরদুনা ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা হেল্ঠ ইন্সটিট্যুসনশিংদা টোবেকোগী ওইবা পোৎলম অমত্তা য়োনবা য়াররোই হায়না গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী খঙহনখ্রে।

ষ্টেট হেল্ঠ দিপার্টমেন্টকী কম্মিস্নর এন্দ সেক্রেটরি ৱাই কিখেতো সেমানা ওর্দর অসি ঙরাং থোকখিবনি। হিরম অসিগা মরী লৈননা সেমানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা এদ্যুকেসন সেক্টরশিংদা টোবেকোগী পোৎলমশিং য়োনবদা অথিংবা থমখ্রে। মদুগী মখা তারকপা ওইনা হেল্ঠ ইন্সটিট্যুসনশিংদা টোবেকোগী পোৎলমশিং য়োনবদা অথিংবা থমখিবনি। এদুকেস্নেল ইন্সটিট্যুসনশিং অমদি হেল্ঠ ইন্সটিট্যুসনশিংগী মিটর ১০০ গী অকোয়বদা টেবেকোগী ওইবা পোৎলম অমত্তা য়োনবা য়ারোই। হায়রিবা অসিগী মায়োক্তা থবক



তৌরম্লবদি লোগী ওইবা চপ চাবা এক্সন লৌখৎকনি। লৈঙাক্লা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসি মীয়ামগী তুংগী খল্লগা অমদি অমদি হিদাক মনাগী পোৎলমশিং শিজিন্নবনা হকচাংদা মখল মখা কয়াগী অনাবশিং থোকহল্লিবা অসিদগী থিংবা ঙম্নবনি। মরম অদুনা প্রিন্সিপল দিরেক্টরশিং হোস্পিটালশিংগী ওফিসর ইনচার্জশিং অমসুং সী এম ওশিংনা হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা মথং থাগী ১ দগী পায়খৎফম থোকপা থবকশিং চপ চানা পায়খৎপা হৌগদবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, টোবেকোগী পোথোকশিং শিজিন্নবা চাং ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরগা ষ্টেট অসিদা কেন্সর নাবা মীগী মশিং হান্নগা য়েংনরুবদা চাং য়াম্না ৱাংখৎলকখ্রে। অসিগুম্বা খুদোংথিবা কয়া অসিদগী ঙাকথোক্ল বা ঐখোয় পুন্না হোৎমন্নিবা মথৌ তাই হায়রি।

## CROSSWORD-3772



**ACROSS**
1. Snug(4)
3. Dirty(8)
9. Milan opera house(2,5)
10. Attendants(5)
11. Substantial(5)
12. Came to an end(6)
14. Be present(6)
16. Most proficient(6)
19. Bracelet(6)
21. Urge forward(5)
24. Commerce(5)
25. Towing vessel(7)
26. Thick treacle(8)
27. Nought(4)

**DOWN**
1. Enormous(8)
2. Rope fibre(5)
4. Shade of meaning(6)
5. First Greek letter(5)
6. Sanitary principles(7)
7. Twilight(4)
8. Infuriate(6)
13. Long dagger(8)
15. Labour(7)
17. Fetches(6)
18. Stinging plant(6)
20. Conjecture(5)
22. Lying down(5)
23. Stalk(4)

**Solution 3771**



**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-5070**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 5 | | | | | 2 | |
| | 2 | | | 8 | | | | |
| 6 | 7 | | | 1 | | | 3 | |
| 3 | | | | | 6 | | 7 | |
| 7 | | 2 | | | | 5 | | 9 |
| | 8 | | 9 | | | | | 3 |
| | 4 | | | 6 | | | 1 | 7 |
| | | | | 4 | | | 5 | |
| | 3 | | | | | 8 | | |

**Solution-5069**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 2 | 4 | 7 | 6 | 5 | 1 | 3 | 9 | 8 |
| 9 | 3 | 8 | 2 | 7 | 4 | 5 | 6 | 1 |
| 6 | 1 | 5 | 9 | 3 | 8 | 4 | 2 | 7 |
| 1 | 6 | 3 | 5 | 4 | 9 | 7 | 8 | 2 |
| 7 | 2 | 4 | 3 | 8 | 6 | 1 | 5 | 9 |
| 8 | 5 | 9 | 7 | 1 | 2 | 6 | 4 | 3 |
| 3 | 8 | 6 | 4 | 2 | 7 | 9 | 1 | 5 |
| 4 | 7 | 2 | 1 | 9 | 5 | 8 | 3 | 6 |
| 5 | 9 | 1 | 8 | 6 | 3 | 2 | 7 | 4 |

## EMPLOYMENT NEWS

### REGIONAL MEDICAL RESEARCH CENTRE NE REGION RECRUITMENT 2023 FOR MEDICAL SOCIAL WORKER, MORE VACANCIES

Regional Medical Research Centre, NE Region Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies Recruitment 2023: Advertisement for the post of Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies in Regional Medical Research Centre, NE Region. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 14 February 2023. Candidates can check the latest Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment 2023 Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies Vacancy 2023 details and apply online at the rmrcne.org.in/ recruitment 2023 page.
Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ rmrcne.org.in/. Regional Medical Research Centre, NE Region selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of rmrcne.org.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Regional Medical Research Centre NE Region
invites applications for recruitment of Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies
Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies
Job Location:
Post Office Box # 105, Dibrugarh, 786001 Assam
Last Date: 14 February 2023
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 6 Posts
Company Regional Medical Research Centre, NE Region
Job Role Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies
Education Requirement B.Sc
Total Vacancy 6 Posts
Job Locations Dibrugarh
Experience 0 - 3 years
Salary 15800 - 32000(Per Month)
Posted on 23 Jan, 2023
Last Date To Apply 14-02-2023
Educational Qualification: B.Sc
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 15800 - 32000(Per Month)
Age Limit: Maximum 30 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Medical Social Worker, Project Assistant, More Vacancies in Regional Medical Research Centre North Eastern Region.
How to Apply:
Candidates must apply for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023 before the last date announced. Candidates, who apply for the Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of Regional Medical Research Centre North Eastern Region rmrcne.org.in
Step 2: Search the notification for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 23 January 2023
Last date for application is: 14 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### REGIONAL MEDICAL RESEARCH CENTRE NE REGION RECRUITMENT 2023 FOR SCIENTIST-C, TECHNICIAN-C, MORE VACANCIES

Regional Medical Research Centre, NE Region Scientist-C, Technician C, More Vacancies Recruitment 2023: Advertisement for the post of Scientist C, Technician C, More Vacancies in Regional Medical Research Centre, NE Region. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their applications directly before 14 February 2023. Candidates can check the latest Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment 2023 Scientist C, Technician C, More Vacancies Vacancy 2023 details and apply online at the rmrcne.org.in/ recruitment 2023 page.
Regional Medical Research Centre, NE Region Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ rmrcne.org.in/. Regional Medical Research Centre, NE Region selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of rmrcne.org.in/ recruitment, new vacancies, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Vacancy Circular No:
Regional Medical Research Centre NE Region
invites applications for recruitment of Scientist-C, Technician-C, More Vacancies
Total Vacancy3 Posts
Job Locations Dibrugarh
Experience 0 - 4 years
Salary 20000 - 67700(Per Month)
Educational Qualification: MBBS
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 20000 - 67700(Per Month)
Age Limit: Maximum 40 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Scientist C, Technician C, More Vacancies in Regional Medical Research Centre North Eastern Region.
How to Apply:
Candidates who are applying for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023, must apply before the last date. Candidates, who apply for the Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023, can follow the procedure as given below.
Step 1: Visit the official website rmrcne.org.in
Step 2: Search the notification for Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023
Step 3: Read all the details given on the notification and proceed further
Step 4: Check the mode of application on the official notification and apply for the Regional Medical Research Centre North Eastern Region Recruitment 2023.
Important Dates:
Published on: 23 January 2023
Last date for application is: 14 February 2023
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification




